# ষন্থি-ষণয়ুংনা পীরিবা কান্নবশিং

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

ষন্থি ষণয়ুংশিংসি থায়নদগী হৌনা পাম্না শীজিন্নরক্লি। ষন্থি ষণয়ুংশিং অসিনা হার ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চাক ঈশিং থোংনবা ফাওবদা শীজিন্নরি । রিপোর্টকী মতুংইন্না ষন্থি ষণয়ুংশিংসি অহুম থোকপগী অনীদি মৈগী মহুৎ শিন্দুনা চাক ঈশিং থোঙনৈ অদুগা অহুম থোকপগী অমনা হার ওইনা শীজিন্নরি। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিল্লবনিনা ষন্থি ষণয়ুংশিংসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক ওইনা শা-ষণ লোইবসিসু য়াম্না মরু ওইরবা অমা ওইরি। শা-ষণশিংসি ওর্গানিক ওইনা লোয়বা তারগদি মখোয়দা পীজগদৌরিবা শজিক অমদি মফোনগী শরুক খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা তাবনি। মসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক্কী হার অমদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা তাবনি। পোৎ চৈ থাবা মতমদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং অমদা থল্বা হায়বসি অরায়বা থবক্তি নত্তে। মরমসিনা শা-ষণগী অরেম অপা ময়ামশিং অসি শীজিন্নদুনা পথুহন্দুনা নৎত্রগা তিন্থ্লোক য়োক্তুনা অফবা মখলগী হার পুথোক্তুনা হায়রিবা এন পি কেগী চাংসি মান্ননা থল্বা য়াই।

মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা ষণ অমদি ইরোইগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্মী। মখোয়না চহীদা পুথোরক্লিবা ষন্থিসি ১০৩২ এম এম টিনি। মসিনা হার ওইনা অমদি মৈ ওইনা শীজিন্নে। অচৌবা ষণবী অমনা নোংমদা ষন্থি কেজি ৩০-৪০ ফাওবা পুথোক্লি।

টেবল ১ - চাংচত্তা নোংমদা পুথোকপা শা-ষণশিংগী মথি-ময়ুংশিং :

| শা মখল | রেঞ্জ | মথিগী চাং (কেজি) চাংচৎ |
|---|---|---|
| শগোল | ৯-২৮ | ১৩.৫০ |
| ষণ | ১৮-৩০ | ২৪ |
| ইরোই | ২৫-৪০ | ৩২.৫০ |
| হামেং অমদি য়াও | ২-১৫ | ১.২৫ |
| ওক | ৩-৫ | ৪.০০ |
| য়েন (২০০) | ২.৫-৩.৫ | ৩.০ |

শা-ষণগীসু গ্রীন হাওস গ্রাস হায়বদি মীথেন, কার্বোনদাইওক্সাইদ, নাইট্রেট অসি পুথোরক্লি। কুমজা ২০০৪দা ইন্দিয়াদা মীথেন পুথোকপগীচাংসি ২৯৬ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ৬৪না শা-ষণদগীনি। চাদা ৩০না ফৌদগী অমদি চাদা ৩না মথি-ময়ুংদগীনি। কুমজা ২০০৪দা গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাংসি ১২২৪ এম টিনি। মসিদা কর্বোনদাইওক্সাইদনা চাদা ৬৪নি। মসিনা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকই। মসিগী মনুংদা মীথেন চাদা ৩১ অমদি নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৪নি। কুমজা ২০০৪দা শা-ষণগী হকচাং মনুংদগী থোরক্লিবা মীথেনগী চাংসি ২৮৮ এম টিনি। মসিগী মনুংদা চাদা ৪০না ষণনা, ইরোইনা ১৮, য়াওনা ১১, হামেংনা ২৫ অমদি ওক্না ৩নি। মমাঙঙৈদদি ষন্থি-ষণয়ুং অমদি শা-ষণগী অরেম অপাশিংগী পোৎ চৈ থারিবা জগাদুদা লৈবাক লৈহাও ফনবা দাইরেক্ট হাপ্পীরম্মী। অদুবু অনৌবা মওংদা হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসিনা বাইও ফর্টিলাইজর, ভর্মি কম্পোষ্ট কয়া অমা পুথোকপসু য়াই।

ইচম চম্না শা-ষণগী অরেম অপাশিংদগী কম্পোষ্ট শেম্লগদি থা ৬ মুক চঙই। মসিদা তিন্থ্লোক হাপ্লগা শেম্লগদি নুমিৎ ৬০-৭৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। মসিদা ত্রেঞ্চ শেম্লগা তিন্থ্লোক কেজি ১দা ষন্থি কুন্টল ১০ হাপ্লগা শেম্বা য়াই। তিন্থ্লোক্তগী শেম্বা হারনা ফাময়ার্দ মেন্যুরদগী এন পি কে য়াওবগী চাং শরুক ৩-৪ ফাওবা হেল্লি। তিন্থ্লোক্কী হারদা এজোল্লা অমদি নাইট্রোজেন ফোসফরস ফাবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া হাপ্তুনা বাইও ফর্টিলাইজর শেম্বসু য়াই। ষন্থি-ষণয়ুং শীজিন্নদুনা ফাময়ার্দ মেন্যুওর পুথোক্লিবসিদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাংসি ০-৫%, ০.৬%, ০.০২০%নি। অদুগা তিন্থ্লোক য়াওরগা শেম্বা হারদদি ১.৫%, ২%, ১%নি। ঐখোয়না ষন্থি ষণয়ুংশিংসি নিংথিনা শীজিন্নরগদি ক্বালিটি লৈবা হার শেম্বা ঙমগনি। ষন্থিনা পীরিবসি মখল কয়াগী মাইক্রো ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা য়াওবগী মথক্তা হ্যুমস, হ্যুমিক এসিদ, অলমিক এসিদ চাং ৱাংনা য়াওহন্দুনা লৈবাক লৈহাও ফনা লৈহনবদা নত্তনা ঈশিং তুংনা লৈবা ঙমহল্লি।

টেবল ২ : হার মখলদা য়াওবা এন পি কেগী চাংশিং-

| হার মখল | এন (নাইট্রোজেন) | পি (পোটাসিয়ম) | কে (পোটাসিয়ম) |
|---|---|---|---|
| এফ ৱাই এম | ০.৫ | ০.৫ | ০.২৫ |
| তিন্থ্লোক্কী হার | ১.৫ | ২.০ | ১.০ |
| বাইও ফর্টিলাইজর | ৩.০ | ১.০ | ১.০ |

ষন্থিগী কান্নবশিং - ষন্থিদা এন্টিসেপটিক্কী মচল য়াওবনা শঙ্গোন্দা ষন্থিগা থিৎলগা চাইথোকপনা লায়না থোকহনবা য়াবা তীলশিং হাৎপা ঙমহল্লি।

- উনশাদা মরীক মরীক চোংথোরকপা নৎত্রগা অপোম্বা লৈরগদি নীমগী মনাসি ফজনা শুগাইবীরগা ষন্থিগা তোৎনরগা উনশাদা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হজিনহল্লি।
- ষন্থি অকংবা মৈ থাবীরগদি কাং ইনবা ফৈ।
- ষন্থি মৈ থাখ্রবা মতুং উৎশিংদুসু অমুক কোল-লিক ফেংবা য়াই।



- তীল কাং হাৎনবগীদমক্তা শেম্বা পোৎলমশিংদা ষন্থি মচল অমা ওইনা হাপ্পী।
- ষন্থিদা মীনরেল মখল ১৬ য়াওই। মসিনা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহল্লি।
- ষন্থিদা মখল ১৬কী মাইক্রো ওর্গানিজম য়াওই। মসিনা ফত্তবা বেক্টেরিয়া কয়া হাৎতোকপা ঙমহনবতা নত্তনা লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা ঙম্মী।
- পোৎ থাদ্রিঙৈদা লৈবাক্তা ষন্থিনা য়োমদুনা থম্লগদি শাথীবা লায়না থোকহনবা পেষ্টতগী কনবা ঙম্মী।

ষণয়ুংগী কান্নবশিং - ষণয়ুংশিংসি হীদাক শেম্বদসু শীজিন্নরম্মী। ষণয়ুংদা য়াওরিবা মীনরেল মখলশিংসিনা মীওইবদা শা-ঙাশিং অমদি পাম্বীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। নোংমদা ষণ অমনা লিটর ৬-১৫ ফাওবগী ষণয়ুং পুথোকই। করিগুম্বা তীল কাংনা চিকপা তারগসু ষণয়ুং তৈবীরগদি নাবগী চাং হন্থে। মসিদা ষণয়ুং লিটর ১৫ অমদি নীম মনা কেজি ১ লৌবীরগা নুংশিৎ চংহন্দনা পাত্রা অমদা নুমিৎ ১৫নি থম্বীগনি। মসিগী মতুংদা চনম গ্রাম ১৫ হাপ্পীরগা তঞ্জায় ফাওবা হন্থনবা মৈদা লোন্থোকপীগনি। হায়রিবা মহীসিগী লিটর ১দা ঈশিং লিটর ১০০ হাপ্পীরগা মহী লাংহল্লগা তুংদা তীল কাং হাৎনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

অফবা মহৈ মরোং, হকচাংদা কান্নবা কয়া অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা ষণ লোয়বীদুনা ষন্থি ষণয়ুংগী কান্নবা কয়া অসি লৌদুনা ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিনবদা দরকার য়াম্না লৈ। ●

# মহৌশাদগী লমদম অসিদা লৈজরকপা লৈতেংগী ওইবা ঙা মখলশিংবু মপান লৈবাকশিংদা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া অসি লৈতেংগী ওইবা য়াবা ঙা মখল য়াম্না লৈবা লৈবাক অমনি। লমদম অসিদা ফংবা ঈশিং ঈচমদা হৈনবা ঙা মখল ৬০০ রোম ফংই। মখোয়শিংসিগী মনুংদা ঙা মখল ২৫০ রোমদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ফংই। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাক্রিজৌ, ফাবৌঙা, ঙামু, নূংঙা, ঙাশেকশা, শারেংকোয়বী, ঙাপেম্মানচিংবা য়াওরি।

চাওরাক্না লৈতেংগী ওইবা ঙা মখল ২০০ রোম মপান লৈবাকশিংদা য়োল্লি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী চাদা ৮৫দি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া হায়বদি ঐখোয়গী লমদম অসিদগী ওইরি। চাওরাক্না ঙা মখল ১৫৫দি লমদম অসিদগী ওইরি। হায়রিবা ঙা মখলশিং অসি লমদম অসিদা য়োনবদদি মমলসি নেম্মী অমদি অকক্লবা মমল লৈতে । তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙা মখলশিং অসি মপান লৈবাকশিংদা য়োল্লবদি মমল অসুক্কী মতিক ৱাংই। ঙাশিং অসি মপান লৈবাকশিংদা য়োনবগী থবক অসি মরু ওইনা কোলকটাদা তৌই। হায়বদি চাদা ৫০দি কোলকটাদা তৌই। লমদম অসিগী ঙাশিং অসি য়োনবসি মরু ওইনা শিঙ্গাপোর, য়ু এস এ, জপান, য়ু কে, জর্মনি, শ্রী লঙ্কা অমদি স্পেননচিংবদা তৌই।

পৃথিবী পুম্বগী ওইনসু লৈতেংগী ওইবা ঙা মখলশিং অসি য়োনবসি এসিয়াগী লৈবাকশিংনা ওইনা তৌরি। পৃথিবী পুম্বগী ওইবা লৈতেংগী ঙা য়োনবগী চাদা ৫০দি এসিয়াগী লৈবাকশিংনা তৌরি। মসিদসু শিঙ্গাপোর লৈবাক অসিখক্না চাদা ২২ ওইদুনা পৃথিবীদা খ্বাইদগী হেন্না লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োনবগী থবক তৌবা লৈবাক ওইরি।

হৌজিক ওইরিবা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োনবগী থৌওং অসি য়াম্না মওং মরীল তাবা থৌওং অমদি ওইদ্রি। মীওই খরনা মখোয়গী লমদম অদুদা ফংবা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং ফারগা লল্লোনবা মীওই খরনা খোমজিন্দুনা মপান লৈবাক্তা থাদোকখিনবগীদমক কোলকটা, হৌরা, মুম্বাই, চেনাই, ত্রিবান্দম অমদি কোচিনদা য়োন্নরি।



মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফম অমদি লৈঙাক্কী অমদি এন জি ওশিংনা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োনবদা থৌদাং লৌরিবা মীওই খুদিংমকপু মান্নবা কান্নবা ফংহন্নবা থৌশিল কয়া শেম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরি।

লমদম অসিদা লৈরিবা
ঙা ফাবা মীওইশিং
।
লমদম অসিদা লৈরিবা
রেজিষ্টার তৌদবা (অপীকপা) ঙাগী লল্লোনবা মীওইশিং
।
হোলসেলর (Wholesales in Ne)
এক্সপোর্টর (Exporter)
Kolkata/Howrah/Mumbai/Chennai/Trivandrum/
Cochin

Fig. লমদম অসিদা ফংলিবা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংবু য়োনবগী থৌওং

লমদম অসিদা ফংলিবা লৈতেংগী ওইবা ঙা মখলশিং অসি মতম খরগী মমাঙদদি মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিংদা মরাং কায়না ফংলম্লবসু হৌজিক্তি অসুক্কী মতিক মশীং হন্থরে অমদি ঙা মখল খরদি য়াম্না তাঙনা ফংলে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ঈশিং ফংলক্তবা, পোল্যুসন, ঙা য়াম্না ফাদোকখিবা অমদি মহৌশাগী ওইবা খল কায়থরকপা অসিনচিংবনি।

লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি তুং কোইনা অকায়বা পীদনা লৈহন্নবগী লৌখৎকদবা থৌরাং খরা থমজগে।

১) লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি মপি অমদি মচাশিংবু ফাদোকপা থিংবা।
২) হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মরূম কোকহন্নবা অমদি মচা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপীবা।
৩) হায়রিবা অতাঙবা ঙাশিং অসিগী মহৌশাগী ওইবা মরূম কোকফম অমদি মচাশিংগী লৈফমশিংবু খন্দোক্তুনা ঙাকপী শেনবীবা।
৪) ঙাশিং অসিনা মরূম কোকপা মতমদা ঙা ফাবা থিংবা হায়রিবা থৌওংশিং অসি পাঙথোকপীরবদি লমদম অসিদা ফংলিবা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি। ●

# চরুগুম্ববু লায়না পথুহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং

ডা. ৱাইখোম জিতেন



লৌউ-শিংউবগী শিনফমদগী থোরক্লিবা শীজিন্নবা ঙমদ্রবা/য়াদ্রবা পোৎলমশিংবু কান্নবা হীরমদা ওন্থোক্তুনা শীজিন্ননবা হোৎনবদা লৌমীশিংদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নে। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিনা মরম ওইদুনা লৌউ-শিংউবদগী থোরক্লিবা লেমহৌ-খাকশিং (চরু চনাইনচিংবা) অসিবু মৈ থাদোক্নে।

ফৌ লোকখ্রবা মতুং নৎত্রগা হঙ্গাম, হৱাই লোকখ্রবা মতুংদা লৈহৌবা চরু, হঙ্গাম মখোক, হৱাই মরীনচিংবদা কান্নরবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ময়াম অমা য়াওই অমদি মসিবু হার ওন্থোকহল্লগা লৌফমদা হাপ্পনা পাম্বীদা তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাকশিং পীবা খক নত্তনা লৌফমদা লৈরিবা ঐখোয়দা কান্নবা পীবা হিংকুপশিংবু মশীং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক লৈশা ফবা হেনগৎহল্লি হায়বসি খঙলবসু মখোয়বু পথুহন্নবা হোৎনবদা লৌমীশিংদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নে। ইশম শম্না হার ওন্থোক্লবগীদমক কম্পোষ্টকী কোম লৌফম খুদিংগী শেম্বা ঙমদে অদুগা মদুবু কম্পোষ্টকী কোম লৈবা মফমদা পুনবা হোৎনবা মতমদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা অচৌবা শেনফম অমা লৌমীশিংদা চঙই। অমরোমদা অমুক পোৎলমশিং অসিবু মথন্তা পথুজবা ঙাইবদা মতম য়াম্না চঙই। লৌফমগী জগা খরা কনশিন্দুনা থম্বা তারকই। মসিগীসু মথক্তা অসুম্না লৈশিন্দুনা থম্বা মতমদা তুংদা থারক্কদৌরিবা মহৈ মরোংশিংবু মাঙ তাকহনবা ঙম্বা উচিগুম্বা জীবশিংগী লোৎফম ওইদুনা জীবশিং অসিগী মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংই। মরম অসিনা লৌমীশিংনা লেমহৌখাকশিং অসিবু লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী লায়বা পাম্বে অমা ওইনা মৈ থাদোক্নে।

লেমহৌখাকশিং অসিনা পথু-পুমথহন্দুনা মদুদা য়াওরিবা কান্নবা পোৎলমশিং অদু লৌমীশিংনা শীজিন্নবা ফংহন্নবা হোৎনবা মতমদা মীৎনা উবা ঙম্বা অচৌবা জীবশিংদগী হৌরগা মীৎনা উবা ঙমদবা জীব মখল কয়া অমনা পথু-পুমথহল্লি। লৌউ-শিংউবগী শীনফম্না নোংমা নোংমগী চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অসিগুম্বা লেমহৌখাকশিংবু লায়না পথুহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং কৈথেলদা অহোঙবা মমলদা লায়না ফংবা ঙম্লে। মরম অদুনা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউগী লেমহৌখাকশিংবু মৈ থাদোকপগী মহুত্তা থুনা পথুহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবীয়ু।

চরু মৈ থাদোকপনা চরুদা য়াওবা কার্বোন হায়না খঙনবা পাম্বী অমদি অতোপ্পা অহিংবা জীবশিংগী মচিঞ্জাক ওইবা পোৎলম অসিগী চাদা ৮০ হেন্না কার্বোন দাইওক্সাইদ ($CO_2$)গী মওংদা ওন্থোকখিদুনা নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি। অমরোমদা অমুক নাইট্রোজেন অমসুং সলফর কৌবা পাম্বীনা চাং ৱাংনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাক মখলশিং অসিগী অরূম্বা শরুকশিংসু মৈ থাদোকপা মতমদা অরেম্বদা মাঙহল্লি। হায়জখ্রিবশিংগী শরুক খরা খরসু চরু মৈ থাবনা মাঙহল্লি।

মপূং ফানা কংহল্লবা চরু কেজি ১০০০দা নাইট্রোজেন কেজি ৪-৮, ফোসফরস গ্রাম ৭০০তগী কেজি ১.২, পোটাসিয়ম কেজি ১২-১৭, সলফর গ্রাম ৫০০- কেজি ১, কেলসিয়ম কেজি ৩-৪, মেগনিসিয়ম কে জি ১-৩ অমদি সিলিকোন কেজি ৪০-৭০ চাংদা য়ালরিবনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদগী য়ামদ্রবদা চরু কেজি ২০০০ ফংবা ঙমই। মদু ওইরবদি কৈথেলদা ফংলিবা ক্বীক-কম্পোষ্ট, মল্টিপ্লেক্স সুগর পোলি কলচরগুম্বশিং শীজিন্নদুনা হৌজিক হৌজিক লৌফমদা পৈ পৈদুনা লৈরিবা চরুশিং পথুহনসি, খূৎশেমগী হার য়ুরিয়া, সুপর পোটাশনচিংবা হার চাং হন্থনা শীজিন্নবা য়াগনি। মসিনা মরম ওইরগা হার লৈবদা চঙগদবা শেল হন্থহনবা খক নত্তনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবদসু মতেং পাংগনি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী কৈথেলদা ফংলিবা ক্বীক কম্পোষ্ট হায়রিবা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১০০না ঈশিং লিটর ২০০দা য়ানশিল্লবা মতুংদা মপৈ মপৈ লৈরিবা চরুশিং নৎত্রগা লৌফমদা হান্না চাইথোকখ্রবা পথুদ্রিবা চরুশিং পথুহন্নবা হোৎনবদা  নুমিৎ ৪৫-৫০মুক চঙগনি। চরুশিং থুনা পথুহন্নবগীদমক চরু অদু পায়শিনবদা ঈং-ঈং লাওবা অদুগা মচুমদি তাদবগী চাংদা লৈবনা ফৈ। মরম অদুনা পোইনু হেক মতুংগী নোং খরা খরা তারিঙৈ মতম নৎত্রগা য়াওশঙ মতুংগী নোং খরা তারকপা তাঞ্জাদা শীজিন্নবীবনা হেন্না কান্নগনি।  চরু চাইথোক্লগা লৈবা লৌফমদা নোং পারপ্পা তাখ্রবা মতুং চরুনা ঈনিল লৈরিঙৈদা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা  ক্বীক কম্পোষ্ট মিলিলিটর ১০০না ঈশিং লিটর ২০০দা য়াল্লগা লৌ শঙম, লৌখাই খরা কনবা/লৌরক মচাগী অমদা কাপথোকপীবা য়াই। মসি নৎত্রগা মপৈ ওইনা লৈবা চরুশিংদসু চরু অদু ঈনিল খরা হান্না লৈরবদি মথক্তা পঞ্জখিবা মওং অসিদা হীদাক অদু শেম্বীরগা চাং মান্ননা চাইবীদুনা থম্বীবা য়াই।

মল্টিপ্লেক্স সুগর পোলি কলচরগুম্বা হীদাক মখলশিং শীজিন্ননবগীদমক লৌ শঙম অমগী লৌফমগী চরু চাওরাক্না কেজি ২০০০ গুম্বদা হীদাক মিলিলিটর ৪০০-৫০০ গুম্বা লৌবীরগা ফিট অমা মখায়-অনী থাবা লৈরোল অনী থোক্না হীদাক অসি ঈশিং লিটর ২০দা থিৎলগা লৌফমগী কাচিন অমদা পৈদুনা থল্লিবা চরুদা চাইশিনবীরগা পথু-হনবা য়াই। হীদাক অসি চাইবিদ্রিঙৈ মমাঙদা চরু মপৈ অদু মরোল অমা চোৎহনবীগনি অদুগা লৌ শঙম অমগী চরুশিং অদু তঞ্জায় অমনা ফুট ২ মুক থাবা লৈরোল অমা শেম্লগা হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ২৫০ গুম্বনা ঈশিং লিটর ১০ হাপ্পীরগা চাং মান্ননা চাইশিনবীরবা মতুংদা লেমহৌরিবা চরু অদু মথক্তা অমুক পৈশিনবীরগা মথক্তা তৌখিবা মওং অসিদা হীদাক চাইবীগনি। অসুম্না হীদাক চাইশিনবীরবা চরু মপৈ অদু নুমিৎ ৩০নিমুক শুবদা মথক মখা অমুক্তং ওৎপীরগা ঈশিং খরা চাইবীরবদি নুমিৎ ৪৫নি গুম্বদা হার ওনবা ঙমই। থৌওং অসি পাঙথোক্লবগীদক নোং থিৎলি থিৎলি তাবা মতমদা পাঙথোকপীবনা হার ওনবদা হেন্না খুদোং চাগনি।

মতৌ অসুম্না চরু ৱাইরু অমদি পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং হার ওলহনবদা মতেং পাংবা হীদাক মখলশিং শীজিন্নবীদুনা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং অরেম্বদা মৈ থাদোকপগী হৈনবী থাদোক্লসি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।